২০শুবা অন্দর-১৫ ওপন সটরদে এন্দ সন্দে রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮

# গুরুঅরিবম এরোস্মিট শর্ম্মনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএন এস) ঃ শিংজমৈ চীংঙামথক চোংথাম লৈকায়দা লৈবা কংলৈ চেছ একাদেমিনা শীন্দুনা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টকী ২০শুবা এদিসনগী চহী ১৫ মখাগী ওপন সটরদে এন্দ সন্দে চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী টাইটল গুরুঅরিবম এরোস্মিট শর্ম্মনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লৌখ্রে।

চহী ১৫ মখাদা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচা চেছ শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ২০শুবা অন্দর-১৫ ওপন সটরদে এন্দ সন্দে রেপিচ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা টেবলদা গুরুঅরিবম এরোস্মিট শর্ম্মনা মাইবম য়োহেনবা খুমনবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট অমা, অনীশুবা টেবলদা জেলেস থৌদাম্মা নুংশিথোই ঙাইরাংবম্বু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট অমা অমসুং অহুমশুবা টেবলদা দয়ানন্দ থৌদাম্মা ক্ষেত্রিময়ূম এমসনবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট অমা ফংখি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা টেবলদা তখেল্লম্বম সেমসন অমসুং খুয়ূমথেম পেত্রিক পোইন্ট ১.৫/১.৫ ফংদুনা দ্রো চংখি। মঙাশুবা টেবলদা মোইরাংথেম দেবদত্তনা থোকচোম করুনাবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট অমা, তরুকশুবা টেবলদা খুমন আইষ্টাইন মাইবম্বু লনচেনবী ঙাইরাংবম্বু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট অমা অমসুং ঙসিগী অরোইবা অমদি তরেৎশুবা টেবলদা থোকচোম প্রিটি অমসুং খুয়ূমথেম দাইনা শান্নখিবা মেচ অদু থোকচোম প্রিটিনা মায় পাক্তুনা পোইন্ট অমা ফংখি।

রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল ষ্টেন্দিংগী মতুং ইন্না গুরুঅরিবম এরোস্মিটনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা অহানবা, দয়ানন্দ থৌদাম্মা পোইন্ট ৩ অমদি বচহোল স্কোর ৮.৫ ফংদুনা অনীশুবা, জালেস থৌদাম্মা পোইন্ট ৩ অমসুং বচহোল স্কোর ৮ ফংদুনা অহুমশুবা, তখেল্লম্বম সেমসন্না পোইন্ট ২.৫ অমসুং বচহোল স্কোর ৮.৫ ফংদুনা মরিশুবা, খুয়ূমথেম পেত্রিক্না পোইন্ট ২.৫ অমসুং বচহোল স্কোর ৬.৫ ফংদুনা মঙাশুবা, নুংশিথোই ঙাইরাংবম্না পোইন্ট ২ অমসুং বচহোল স্কোর ১২.৫ ফংদুনা তরুকশুবা, ক্ষেত্রিময়ূম এমসন্না পোইন্ট ২ অমসুং বচহোল স্কোর ১১ ফংদুনা তরেৎশুবা, মাইবম য়োহেনবা খুমন্না পোইন্ট ২ অমসুং বচহোল স্কোর ৮ ফংদুনা ৮শুবা, মোইরাংথেম দেবদত্তনা পোইন্ট ২ অমসুং বচহোল স্কোর ৭.৫ ফংদুনা ৯শুবা অমসুং লনচেনবী ঙাইরাংবম্না পোইন্ট ২ অমসুং বচহোল স্কোর ৬.৫ ফংদুনা ১০শুবা পোজিসন তাখি। ২০শুবা এদিসনগী রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা কংলৈ চেছ একাদেমিগী এদভাইজর সনসম উমানন্দনা মনা য়েন্থোকখি হায়না ওর্গেনাইজর অসিগী সেক্রেটরি রাজকুমার এপোলো মঙাঙনা খঙহল্লক্লি।

# আই লীগকী শেমগৎলিবা বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমিগী শান্নরোয়শিংগী এগজিবিসন মেচ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএন এস) ঃ আই লীগকীদমক শেমগৎলিবা বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি তাওবুংখোক্কী অন্দর-১৩ অমদি অন্দর-১৫গী শান্নরোয়শিংগী এগজিবিসন মেচশিং ঙসি পাঙথোকখ্রে।

তাওবুংখোক্ত লৈবা বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমিগী শান্নবুংদা ঙসি পাঙথোকখিবা এগজিবিসন মেচ অদুদা সলাইগী মীহুৎশিং অমদি জেক রিপব্লিক্তগী লাকপা মীওই অনীসু য়েংখি।



এগজিবিসন মেচ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা এক্স এম এল এ এস কুঞ্জকেশ্বর এলাইজ কেবনা ফোঙদোকখিবদা বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিনা ফুটবোল মশান্না অসিবু চাওখৎহন্নবগীদমক হোৎনজরিবা কয়া অসি পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওই। ইন্দিয়াগী ওইনা লেমজনীংঙাই ওইরবা আই লীগতা একাদেমি অসিনা শরুক য়ানবগীদমক শান্নরোয়শিং শেমগৎতুনা থৌরাং তৌবা অসিদা শৌগৎপা চঙই।

মণিপুর শান্ন-খোৎনবগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্না শিংথানীংঙাই ওইবা লমদম অমনি। লমদম অসিদগী হৌখিবা শান্নরোয় কয়ানা মালেমগী অচৌবা মশান্নগী চাংদম্নবা কয়াদা মনা-মথুম ফংদুনা মীংচৎ পুরক্লিবনি। ফুটবোল মশান্নদা মণিপুরগী অফবা শান্নরোয় কয়া মপান লমদসু শান্নরি। বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমিনসু ফুটবোল শান্নরোয় কয়া পুথোক্তুনা মশান্না অসিবু হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এগজিবিসন মেচ হৌদোকপগী থৌরমদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা সলাই হোলদিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন এন বিশ্বরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা জেক রিপব্লিক্তগী লাকখিবা ফুটবোল মশান্নদা থৱায় য়াওবা মীওই অনী অমদি সলাইগী মীহুৎশিংনা ঙসি বিরচন্দ্র একাদেমিদা লাক্তুনা এগজিবিসন মেচ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা য়াওবনি।

একাদেমি অসিনা ফুটবোল মশান্নদা শেমগৎলক্লিবা কয়া অসি থাগৎনীংঙাইনি। সলাইগী মায়কৈদগীসু অঙন্বা পাংবা য়াবশিং পাংগনি। সলাইগী ওইনা হৌজিক সলাই ক্রিপসা ৱিমেন্স টিম শেমগৎতুনা ইন্দিয়াগী অৱাংবা থাক্কী টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়ারি। সলাই ক্রিপসাগী অফবা শান্নরোয় কয়ানা মশান্না অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স কয়া উৎলিবনি। বিরচন্দ্র একাদেমিগী থৌ পুরিবশিংনা কন্না হোৎনদুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া শেমগৎলক্লিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাংনি।

আই লীগ অন্দর-১৫ অমদি অন্দর-১৩দা শরুক য়ানবগীদমক একাদেমি অসিনা শান্নরোয়শিং শেমগৎলি। ইন্দিয়াগী ওইনা অচৌবা লীগ অসিদা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌরিবা অসি অফবা খোঙথাংনি হায়নসু ফোঙদোকখি। তুংদা বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিগী অন্দর-১৩ অমদি অন্দর-১৫গী টিমশিংনা ফুটবোল এগজিবিসন মেচ শান্নখি।

এগজিবিসন মেচ হৌদোকপগী থৌরমদা সলাই হোলদিংসকী থৌ পুবা কয়া অমদি জেক রিপব্লিক্তগী লাকখিবা থোমাস অমদি ওন্দ্রেজসু দাইজতা ফমখি।

২৭ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম টুর্নামেন্ট, ২০১৮-১৯ লোইশিনখ্রে

# বিমোলজিৎনা ভেটরান, অরুন্না মেন্স সিঙ্গলস, মোনিকানা সেনিয়র ৱিমেন অমসুং সঞ্জিৎনা জুনিয়র বোইসকী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএন এস) ঃ ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসননা শীন্দুনা শিংজমৈ তোপ লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা থা অসিগী ২ দগী হৌদুনা ৭ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পূন্না দিষ্ট্রিক্ট মরিগী টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা ভেটরান মেন এন্দ ৱুমেন, সিনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন, জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস, সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস অমসুং কেদেট বোইজ এন্দ গর্লস হায়না কেটিগরি ১০ থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকখিবা ২৭ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮-১৯ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা এস বিমোলজিৎনা ভেটরান, সী ঐচ অরুন্না মেন্স সিঙ্গলস, এম মোনিকানা সেনিয়র ৱিমেন অমসুং ৱাই সঞ্জিৎনা জুনিয়র বোইসকী টাইটল লৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মরিগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় পুন্না ১৪১ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ২৭ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮-১৯গী ভেটরান ফাইনেলগী মেচ ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী এস বিমোলজিৎ অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী অতোপ্পা শান্নরোয় কে কুমারগা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস বিমোলজিৎনা কে কুমারবু সেট ২-১ (১৫-১৭, ২৫-২০, ২০-৮) দা মায়থীবা পীরম্লগা ভেটরান কেটাগোরিগী টাইটল লৌখি।

মেন্স সিঙ্গলস কেটাগোরিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সী ঐচ অরুন অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দব্লিয়ু নেত্রজিৎ শান্নখি। শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সী ঐচ অরুন্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী দব্লিয়ু নেত্রজিৎপু ষ্ট্রেট সেট ২-০ (২৫-১৪, ২৪-১১) দা মায়থীবা পীদুনা মেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখি।

সেনিয়র ৱিমেন্সকী ফাইনেল মেচ ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এম মোনিকা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এ বিদ্যা শান্নখিবা মেচ অদু থৌবালগী এ মোনিকানা সেট ২-০ (২৫-০, ২৫-০) দা অমসুং জুনিয়র বোইজকী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই সঞ্জিৎনা থৌবালগী এ মহেসপু সেট ২-১ (২১-৪, ১০-১৪, ২১-০) দা মায়থীবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি

চেম্পিয়নশিপ অসি লোইশিনবগী থৌরমদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ লোইশিনখ্রে

# টি ব্রোজেন্দ্রোনা মেন্স ওপন সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে, রাহুল পামৈনা রন্নর্স-অপ তাহৌরে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) না শীন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর্স ক্লবকী টেন্নিস কমপ্লেক্সতা সেপ্টেম্বর ৩ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী মেন্স ওপন সিঙ্গলসকী টাইটল টি ব্রোজেন্দ্রোনা লৌখ্রে। অদুগা রাহুল পামৈনা রন্নর্স-অপ তাহৌরে।

চহী ৫০ মথক্কী মেন্স দবলসকী টাইটল ৱাই ইবোতোম্বী অমদি ঐচ ইবোতোম্বীগী জুরানা লৌখ্রে।

মেন্স অমসুং লেদিস সিঙ্গলস, অন্দর ১৪ বোইজ এন্দ গর্লস সিঙ্গলস, অন্দর ১২ বোইজ এন্দ গর্লস সিঙ্গলস, নুপাগী চহী ৪৫ মথক অমদি চহী ৫৫ মথক্কী অমসুং মিক্স ইভেন্ট হায়না পূন্না কেটিগরি ৯ থোক্লা খায়দোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ৫০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি ডা. সুরেস বাবু (আই এ এস) না মণিপুরগী চীফ গেষ্ট অমসুং মণিপুর টেন্নিস এসোসিএসনগী ওফিসলশিংনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী চহী ৪৫ মথক্কী নুপাগী দবলস ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবদা তুলেশ্বর অমদি ইবোহলগা জুরাগা ৱাই ইবোতোম্বী অমদি ঐচ ইবোতোম্বীগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা তুলেশ্বর অমদি ইবোহলগী জুরানা ৱাই ইবোতোম্বী অমদি ঐচ ইবোতোম্বীগী জুরাবু ৬-১, ৫-৭ (১১-৯) দা মায়থীবা পীরম্লগা কেটেগোরি অসিগী টাইটল লৌখি।

মেন্স ওপন সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল রাহুল পামৈ অমসুং টি ব্রোজেন্দ্রো শান্নখি। মেচ অদু শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অদুবু মেচগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা টি ব্রোজেন্দ্রোনা রাহুল পামৈবু ৬-৪, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মেন্স ওপন সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ডা. সুরেস বাবুনা মেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রবা শান্নরোয়দা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০, রন্নর্স-অপ তাখ্রবা শান্নরোয়দা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫, লেদিস সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রবা শান্নরোয়দা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫, রন্নর্স-অপ তাখ্রবা শান্নরোয়দা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩, তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিদা টাইটল লৌখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৪/৪ অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২/২সু খূৎশিন্নখি।

# ইন্দিয়ানা মালদিপস ২-০দা থোইদুনা সেমী ফাইনেলদা পাকিস্তানগা থেংনরগনি







ধাকা, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী) ঃ বাংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং ধাকাদা লৈবা বঙ্গবন্ধু ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী অরোইবা লীগ মেচতা ইন্দিয়া অমসুং মালদিপস থেংনবদা ২-০দা থোইদুনা সেমী ফাইনেলদা পাকিস্তানগা থেংনরগনি।

সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এস এ এফ এফ) চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ পূন্না সাউথ এসিয়াগী লৈবাক ৭না শরুক য়ারকখিবনি। থা অসিগী ৪দগী হৌরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা গ্রুপ এদা য়ূম্বু বাংলাদেশ, নেপাল, পাকিস্তান অমসুং ভুটান লম্বা তৌনখি। হায়রিবা গ্রুপ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেচ অনীদা নেপাল অমসুং পাকিস্তান মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল য়ৌরকপনি।

য়ূম্বু বাংলাদেশ মায়থীরবসু নেপাল অমসুং পাকিস্তান্না পূন্না পোইন্ট ৬ ফংমিন্নখি অদুবু গোল দিফরেন্সতা নেপালনা খ্বাইদগী মকোক ওইরগা পাকিস্তান্না অনীশুবদা লৈখিবদগী টিম অনী সেমী ফাইনেল চঙলগা য়ূম্বু বাংলাদেশ লৈহৌবনি।

১৯৯৩দগী হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়ানা ৭লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্লি। চহী ২/২ লৈরগা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসি মমাঙ চহীদা বাংলাদেশনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লমগদবনি। অদুবু খুদোংচাদবা লৈবদগী চহী অমা চোন্থখিবনি। শরুক য়ারিবা টিমশিংগী মনুংদা ফিফা রেঙ্কিংগী ওইনা ইন্দিয়ানা ৯৬শুবা পোজিসন্দা লৈদুনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টিম অদু ওইরি।

ঙসি গ্রুপ বিগী অরোইবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মায় পাক্লনবা হৌবদগী অদুমক এটেক চত্থবা ঙমখি। ইন্দিয়া অমসুং মালদিপসনা মমাঙদা থেংনখিবা মেচ ১৮গী মনুংদা ইন্দিয়ানা ১৩ থোইখি। অদুগা মালদিপসনা ২ থোইরগা ৩-১দা দ্রো চংখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী নেসনল টিমগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ১১মক শরুক য়াখিদে। কেপ্তেনগী থৌদাং অনিরুদ থাপানা লৌখি অদুগা গোলকিপরনা বিসাইল কাইটনা ওইখি।

অহানবা হাফকী পুঙ্খ্য় অমরোম পাঞ্জল চন্নখিদে। ৩৬শুবা মিনটতা ফরুখ চৌধুরিনা পীরকপা বোল অমা নিখিল কুমারনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মালদিপসপু ১-০দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট অমতা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন অনিরুদ থাপানা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমা টিমমেট মনবির সিংহনা মালদিপসকী ওপসাইদ ট্রেপ অদু নান্থোক্তুনা পুশিনখিবা বোল অদু মাদিসপকী গোলকিপর মোহম্মদ ফৈজলবু মায়থীবা পীদুনা ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেচ অদু ইন্দিয়ানা ২-০দা থোইদুনা পোইন্ট ৬ ফংখিবগা লোয়ননা গ্রুপ বিগী মকোক ওইরগা থা অসিগী ১২দা পাকিস্তানগা সেমী ফাইনেলদা থেংনরগনি।

# সী ৱাই এফ সীনা পি এস জিবু মায়থীবা পীখ্রে



জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএন এস) ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবাম্মা শীন্দুনা ওগষ্ট ৩১দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ১৪শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ (চহী ১৪ অমসুং চহী ১৪ মখা) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা সী ৱাই এফ সী লোবোখালনা পি এস জি লুনগ্রেজাংবু মায়থীবা পীখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ফোর এন হরিচরন ট্রোফিগী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙরাং সী ৱাই এফ সী লোবোখাল অমসুং পি এস জি লুনগ্রেজাং শান্নখি। মেচ অদু পি এস জিনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা সী ৱাই এফ সীনা বোল কাওবা হৌখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা সী ৱাই এফ সীনা পি এস জিবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

# মহাদেব নিংথেম্বম্না এল ঈ সী-বি বাবুপড়া মায়থীবা পীখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ০৯ (ঐচএন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন জিরিবাম মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপড়াদা লৈবা লমলেন কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা হৌখিবা ওগষ্ট ২৯দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা ২১শুবা এন পটমা দেবী মেমোরিএল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মহাদেব নিংথেম্বম কাংখূৎনা এল ঈ সী-বি বাবুপড়া কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে।



মেচ অদু মহাদেব নিংথেম্বম্না টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এল ঈ সী-বি বাবুপড়ানা কাং কাপ্পা হৌখি। কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী কন্না কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা মতম লোইশিল্লকপদা মহাদেব নিংথেম্বম কাংখূৎনা এল ঈ সী-বি বাবুপড়া কাংখূৎপু পাঞ্জল ২০-১২দা মায়থীবা পীখি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদগী কাংখূৎ ৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ২১শুবা এন পটমা দেবী মেমোরিএল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি মহাদেবা নিংথেম্বম কাংখূৎ অমসুং এল ঈ সী-বি বাবুপড়া কাংখূৎ শান্নখি।

২১শুবা এন পটমা দেবী মেমোরিএল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এ ইবোতোন্না অম্পয়র অদুগা এন কুঞ্জমোহোন্না স্কোর কিপ্পর ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ কাংখূৎ অমসুং ঈচেল ক্লব দিবোং কাংখূৎ শান্নগা হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং এল ঈ সী-এগা এম আই টি এল কাংখূৎকা শান্নখিবা মেচ অদু এল ঈ সী -এনা পাঞ্জল ১৭-১২দা মায় পাকখিবনি।





HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com